ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জুন ২৮, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৯৫শুবা মশীং

# ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী ৱাথোক

## *লৈবাক অনীগী মরক্তা মুক্রুবা থোক্তনবা থবক লৌখৎলু*

ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা হন্দক অমুক মণিপুরগী লমখৈ মনুংদা ম্যান্মারনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ কিলোমিটর ৩ লোম চঙশিল্লগা য়ুংশিল্লক্লে হায়বা পাউ অমা ফোঙনরক্লি। তশেংনমক্তি ৱাফম অসি বোর্দর পিল্লর ৮১ অদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দি সীনা চৎলুরবা তুংদা মণিপুরগী লমখৈ মাঙবা য়াবগী অকিবদু ফোঙদোরক্লবা তুংদা খঙনরকপনি। শাংলবা চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মোরে অমসুং মসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়াম্না মণিপুরগী লমখৈগী শরুকশিং ম্যান্মারনা লৌশিনখ্রে, শো মিলগী পোৎলমশিং পুরগা চৎখ্রে, শঙ শিদোক্লল্লে, শম্বল খাজিল্লক্লে হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোক্তুনা লাকখি। মতমদুদদি মীয়াম্না ৱাকৎলকপনি অদুগা হন্দক্কী অসিনা লৈঙাক্কী থৌদাং লৈবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমনা ফোঙদোরকপনি। মরম অদুনা ৱাফম অসি মখা তানা পোলিটিকেল পার্টিশিং নৎত্রগা মীচম মীয়াম্না চৎলগা য়েংলুদ্রবসু ওফিসল ওইনা মণিপুরগী লমখৈগী শরুক্তা কিলোমিটর ৩ লোম চঙশিল্লগা বাউন্দরি পিল্লর নম্বর ৮১ য়ুংশিল্লক্লে হায়না লৌবা য়ারে। মণিপুরী মচাশিংনা হান্নদগী হৌনা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা থৌশাবিদে হায়না নীংদোল পোমদুনা লৈরিঙৈদা হন্দক অমুক অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোরকপসিনা ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিংনা ঙাক্লম্বা অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিকসু থৌশাবিদ্রব্রা হায়বা ৱাকৎ অমা থোরক্লে। মণিপুর লৈঙাক্লুদি ৱাথোক অসি তরাইনা লৌদে, হায় পৱার কম্মিটি শেম্লে, মফমদুদা চৎলগা স্পোট ইনক্বারি তৌগনি অদুগা মদুগী রিপোর্ট অমা সেন্তরদা থাগনি হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। অদুবু ইন্টরনেসনল বাউন্দরিগী শরুক অমা ওইনা লৈরিবা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগী লমখৈ শরুক অসিদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা করিসু খূৎ থাবা ঙমদে। মরম অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইবা নুংঙাইতবশিং অদু মতম চানা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা হায়রগা ফিল্দদা লৈরিবা ফীভম অসি অমুক নৌনা য়েংশিনবীননবা ৱাকৎপা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে। মসিদা করিগুম্বা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা তারক্ত্রগদি মণিপুর মীয়ামগী ওইবা ৱাফম অমা লাকপা তাবনি।

ইন্দো-ম্যান্মার ইন্টরনেসনল বোর্দর অসি চাউরাক্লা কিলোমিটর ১,৬৪৩ লোম শাংই। মসিগী মনুংদা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগা লোন্নরিবনা কিলোমিটর ৩,৯৮ রোমনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈদগী হৌনা মণিপুরগী তোখায়বা বাউন্দরি লৈজরম্মী। হায়রিবা বাউন্দরি অদু ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা মণিপুরনা তিনখ্রবা তুংদগীদি ইন্দিয়াগী বাউন্দরি ওইরকখিবনি। হৌজিক বাউন্দরি পিল্লর ৮১ য়ুংশিল্লন্মী হায়রিবা মফম অসি কুমজা ১৫৬২দা শেমখিবা ক্বাথা ভিলেজ হায়বদুগী মনুংদনি। খুল অসি কুমজা ১৪৭৫দা পোং লৈপাক (হৌজিক্লা চাইনাগী য়ুনান প্রোভিন্স)গী নিংথৌ কিখোম্বনা মৈদিংঙু কিয়াম্বদা খুদোল তম্লম্বনি। ক্বা পান্থী থাই হায়বগীদমক খুঙ্গং অসিবু ক্বাথা হায়না খঙনবনি। খুল অসিগী লুচিংবা খনবগী চৎনবী অমসু লৈ। মীখল তৌরগা মীয়াম্না য়াবা মীশক অমবু খুল্লাকপা ওইনা খল্লি। মণিপুরগী নিংথৌনা খুল্লাকপা খনবা নত্তে। অদুবু নাৎকী চৎনবী মতুং ইন্না খুল্লাকপা অদু নিংথৌনা মশক খঙবীদুনা লাক্লি। ক্বাথাগী পাক চাউবসি অৱাংদগী খা ফাওবদা কিলোমিটর ৮নি। নোংপোক্তগী নোংচুপ ফাওবনা কিলোমিটর ১৬নি। অপূনবা স্কার কিলোমিটর ১২৮নি। কুমজা ১৮২৬তা খূৎয়েক পীনখিবা ত্রিটি ওফ য়ান দাবোগী মখাদা কবো তম্পাক (ক্যামগৈ লমজাউ) ম্যান্মারদা পীথোকখি। কুমজা ১৮৩৪গী জন্যুৱারী ২৫দা এগ্রীমেন্ট ওফ কম্পেন্সেসন খূৎয়েক পীনদুনা ঙমখৈ য়াৎথোক্লখি। মতমদুদা য়াৎখিবা ঙমখৈ অদু পেম্বর্টোন লাইন হায়না খঙনৈ। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, পেম্বর্টোন লাইন অসি মালেমগী মীপূম খুদিংমক্লা মশক খঙই। অদুবু মরক মরক্তা ম্যান্মারনা মখোয়গী লমখৈগী শরুকনি হায়না ক্বাথা খুনৌ অমসুং মোরেগী শরুক খরদা ক্লেইম তৌরক্তুনা চরাংনবা ফীভম অমা থোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মতুং তারকপদা চয়েৎনবা লৈতনবা লৈবাক অনীগী খুন্নীশিং য়াওনা ফিল্দদা লেপমিন্নরগা হৌজিক লৈনরিবা, মীয়াম্না য়ানরিবা ঙমখৈগী শরুকশিং অসিদা বাউন্দরি পিল্লরশিং য়ুংদ্রগদি লৈবাক অনীগী মীয়ামগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা নুংঙাইনদবা থোরকপা য়াই। হীরম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### নহাক কনানো, নশাবু মশক খঙউ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**পাউজেল** অসি ঐহাক্লা নেসনল ন্যুজ পেপর অমদগী থেংনজরকপনি। মসিমক মীওইবশিংদা য়াম্না কান্নরগদবা ওইবনা অমুক হন্না মীয়ামদা নীংশিংজবনি। ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা তূম্লিঙৈদগী হৌগৎলকপদা ঐখোয়গী ৱাখলদা মখল কয়াগী ঈহৌ অমা মীওইদুগী ৱাখলদুদা লাক্কই। অদুগুম্বা ৱাখল অদুদা চনৈনবা কয়ানা নহাক্লা নহাক্কী ৱাখল অদু কন্ত্রোল তৌবা ঙমদে। ঐখোয়গী অফবা ৱাখলশিং অদুনা ঐখোয়গী অকোয়ববু ফজনা উহল্লি অমসুং ফত্তবা ৱাখলশিংনদি পূম্নমক অসিবু নঙোন্দা মওং নাইদনা উহল্লি। ৱাখল পূম্নমক অদু করেম্নবগুম, নোক্লবগুম করিগুম্বা মীনা মাবু নীংথিনা তরাম্না তৌবিদ্রবা নৎত্রগা তৌহন্নীংদবা মওংদা তৌরকপা য়াওরকই অমসুং মদুনা নহাক্কী খোঙথাংদা মমশিল্লকপা ৱাখল লাকপনা ঐখোয়গী চৎন-লোনচৎকী ৱাংমদা অরানবা ৱাখল পোকহল্লকপসু য়াওই।

মতাং অসিদা ৱারেং অদুনা তাক্লিবসি ৱাখলগী হৌরকফম অসি মখল অনী লৈ অমনা মখোয়গী ৱাখল লৈবা মতৌবু খঙনা চৎপনা ফীভম চানা নুংঙাইনা হিংবা অমদি লৈবা অদুগা অনীশুবা অদুনা য়াম্না ফজনা ৱাখল তানা লৈহল্লগা অতোপ্পদা মাঙননবা তৌবা অমসুং হন্থনা য়েংবা নৎত্রগা অতোপ্পা মীওইগুম্না খন্দুনা মশাদা লৈবা অদুগুম্বা মখোয়গী ফত্তবা ৱাখল অদু অফবা ৱাখল নৎতে হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়দু ৱাখল তাবা মীনি হায়বা য়াদ্রে। অদুগুম্বা য়াদ্রবা মীওৎ মীনৈ তৌনীংবা, নমথনীংবগী ৱাখল পোকপা ওইবনা মখোয়দু অপীকপা ৱাখল খনবা, থাক হন্থবা ওইবনা ৱাখল তাদ্রবা মীওই ওইনা লৌগনি। মখোয়দা চঙজরক্লবশিংবু মখোয়না নমথনবা হোৎনরক্কনি। মরম অসিনা মীওইবনা অদুম্না তৌরক্লবদি অৱাবা হায়বসি অদুমক মায়োক্লবা তাবনি। অদুবু য়াম্না চাওখৎখ্রবা লৈবাক কয়াদদি পূম্নমক অসি ফম্না ফজনদি হন্থরক্কনি অদুবু ইরক্লিবা ৱারেং অদুনা চাওখৎপা ৱাৎলিবা লমদমদদি অদুম শোত্থদুনা লৈরবসু পূক্নিং ৱাখলবু য়ারিবমখৈ কন্ত্রোল তৌনরবদি পুন্সি অসি কমপ্লেক্স ওইদনীংঙাই লৈতে হায়জনীংই।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১। অরিবা মণিপুরীদা উচেক-ৱায়া, হৈ-লৈগী মমিংসি শলাইশিংগী অরিবা সাহিত্যদা য়ূম্ফম ওইদুনা কৌনবা চৎনরম্মী।
(ক) ‘থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক’ করি উচেকনো?
(খ) ‘পলেম পীকাউহৈ, তালোই তুকাউহৈ’ করি উহৈনো?

২। হিজম গুনগী ‘বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড’ অসিদা ৱারী মপূম অমা য়াওদে। থিমগী য়ুনিটি লৈতে।’ অদুবু একাউন্টেন্ট বাবু অদুনা ৱারী ময়ামদু অমতা ওইনা লেংশিল্লকপনি। মাগী ৱারীদা য়াওরিবা কলকতাদনা দাস ইম্ফালদনা চেটর্জি হায়না শাইওনবা নুপাদুগী মমিং অশেংবা করিনো?

৩। “অসোমদা/কনাসু হন্না য়েংলমদে, তুমীৎফাও পাইরমদে/কেল্লবা মকোক লৈমায়থক্তা তারম্মী।” পরেংশিং অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “শম্বুল চোইরবী নুপী অমগী শম্লাংবু নীংথিজনা খোমজিন তাশিন্দুনা শাগৈ অমগী মৌ ওইনা লৈতেংহন্নীংবদু মাঙহনবীখ্রে।”
পরেং অসিনা ‘কীন্থরবা শম্বুল’ হায়বা রেদিও দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৫। “মাঙদগী টোর্চ লাইট শৎ পায়খৎলগা মমায়দা কাপশিল্লি, মশক্তু মুন্না য়েংই/ওহ: নঙ!” পরেংশিং অসিনা সুনিতা নিংঙোম্বম্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিং’গী মতম লোইরব্রা?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**




**পি ভি নরসিমহা রাও’না** কুমজা ১৯৯১দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবা মতমদুদা ইন্দিয়ন ইকোনোমি অসি কিন্থুগদবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবা য়ূম অমগী পাঙ্খক ওইনা লৈরম্মী হায়না ঐগী ওজা (ইকোনোমিষ্ট) অমনা হায়খি। য়ূম অদু কিন্থখিদনবা, লৈপাক অসি কাং-খোং চাইবদগী কন্ননবা ‘নরসিমহ রাও’না থৌনা ফবা ৱারেপ খরা লৌবা তাখি। ৱারেপ অদু লৌনবা, মহাক্লা চেংনা থাজবা ইকোনোমিষ্ট অমবু মাগী য়েৎকী পাম্বোম ওইহনবা তঙাইফদবা অমা ওইরকখি। মতমদুদা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্ণর ওইরম্বদগী পোথাখিবতা ঙাইরিবা ‘ডাক্তর মনমোহন সিংহ’বু ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইহনখি। মনমোহনগী পাউতাক মতুংইন্ননি ‘নরসিমহা রাও’ না ‘ইকনমিক লিবরেলাইজেসন’গী থৌনা ফবা ৱারেপ অমা লৌখিবা, ‘ফাদর ওফ ইকনমিক লিবরেলাইজেসন’গী মিংথোল ফংখিবা। মহাক্লা ৱারেপ অদু লৌরমদ্রবা, চয়োল তরুক্কী মতুংদা ইন্দিয়ন ইকোনোমি ‘কোল্লাপস’ তৌদুনা সিভিল ৱার থোক্লমগনি - এক্সপার্টশিংনা হায়নরকপনি। এল পি জি (লিবরেলাইজেসন, প্রাইবেটাইজেসন, গ্লোবেলাইজেসন) হায়না খঙনবা অনৌবা থৌশিলদুগী মরূ হুনখি।

ৱাফম অসি নীংশিংলুবই মরম অমা লৈ। এল পি জি ইরা হায়না খঙনবা অনৌবা ইকনমিক পোলিসিগী অহানবা খোঙথাফম ওইখিবা থৌশিলদুনা ইন্দিয়াগী পোলিটিকল হিষ্টরিগীসু অনৌবা পন্দুপ অমা হৌখিবনি। পন্দুপ অমগীনা অরোইবা। চাউখ্রবা পন্দুপ অমনি, পীক্লবা কাখল অসিদা কূপ্না নৈনবা ওইথোক্লোই। ৱারেংসিগী পান্দমসু পন্দুপ্তুগী অপীকপা মচেৎ ওইরিবা ‘পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিং’ (লৈঙাক্লা মপূ ওইবা ইন্দষ্ট্রিঅল য়ুনিট) শিংদা হোংলক্লিবা অহোংবা খরা পুথোক্তুনা নৈনবনি। ৱাফম অসি নৈনদ্রিঙৈ, অনীশুবা চহী মঙাগী থৌরাং লাউথোকপদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা চেরোল অদু নীংশিংলুবা কান্ননি ... ‘সমাজবাদ (সোসলিষ্ট মোদেল) দা য়ূম্ফম ওইবা খুন্নাই অমা শাগৎপা হায়বদু নেসনল ওবজেক্টিব অমনি ... খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎপই লমজেলদা য়াওশিনবা ঙম্নবা নিংথিনা প্লান তৌরবা থৌশিল অমা পায়খৎপা তঙাইফদে ... তঙাইফদবদুগী তঙাইফদবা অমনি - মরু মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রিশিং, মীয়ামদা হকথেংননা কান্নবা ফংহনগদবশিং অদুদি লৈঙাক্কী মীৎয়েংখাদা, পব্লিক সেক্তরদা লৈহনবা’... (সেকেন্দ ফাইব য়র প্লান, ১৯৫৬)।

নীংতম্বা ফংবদা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী ইকোনোমি - পূমচাই চাইরবা, মথোঙ-মরম খঙদবা ফীভম অমদা লৈরম্মী। থবক ফংদবা, লায়র-অনঙ, ময়ূম-মকৈ লৈতবা, লাইরিক ময়েক চত্তবা, শূফম-নোম্ফম লৈতবা, লম্বী-থোং ফত্তবা, মওং-মরীল নাইদবা হকশেল-থৌরাং, মহৈ-লোইশঙ লৈতবা ... অসিনচিংবসি পনবা য়াবা মরু ওইবা খরদুনি। চহী ৩৫০ পাল্লম্বা বৃটিশ লৈঙাক্লা খোনি-পূম্বা লুট তৌদুনা পুখ্রে হায়বসি নীংতম্বা ইন্দিয়াগী লৈঙাক-থৌরম পুবশিংগী ৱাকৎনি। নেহরুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদুদা ইন্দিয়াগী গ্রোথ-রেট (চাওখৎপগী চাং) চাদা অমা (১%) খক্তং ওইরম্মী। মহাক্লা ঙাওজখিবদি - সোভিয়েট য়ুনিয়নগী সোসলিষ্ট পেক্তর্ন অদুনি। মকোক্তুন্দসু নিল্লমগনি, দাক্তর বিশ্বেশ্বরৈয়াগী ৱার্নিং ... ‘ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজ তৌ ইন্দিয়া! নৎত্রবদি শোয়দ্রবনি পত্তুনা-পুমদুনা মাঙখিবা’...! মহাক খঙখি - মতমদুদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদই মথৌ তাখিবসি - অচৌবা (হেভি) ইন্দষ্ট্রিজ অমদি সাইন্টিফিক ইন্সটিট্যুসন ময়াম অমা লীংখৎপনি। মহাক চম্নখি - মরু ওইবা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিশিং প্রাইভেট সেক্তরদা পীথোক্কদ্রা? নৎত্রগা পব্লিক সেক্তরদা থমগদ্রা? মহাক্লা থাজনা লীংখৎচখিবা ‘প্লান্নিং কম্মিসন’নদি হায় - ইন্দিয়া’না পায়খৎকদবদি ‘মিক্সদ-ইকোনোমি’ মোদেলনি ... রেলৱেজ, কম্যুনিকেসন, সিপ্পিং অমদি অতৈ অচৌবা ইন্দষ্ট্রি পূম্নমক লৈঙাক্লা পায়শিন্দুনা থম্লগা, অতৈ ইন্দষ্ট্রি মচা মচাশিংনা প্রাইভেট সেক্তরদা থঙদোকপা।

প্লান্নিং কম্মিসনগী মৱা ইনখি। দেমোক্রেটিক-সোসলিজমগী মওং লৌখিবগী মরম অনীনি।

১) মতমদুদা ইন্দিয়ন মচাশিংনা মপূ ওইবা প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিশিং মওং মরীন নাইরমদে। অচৌবা ইন্দষ্ট্রিঅল হাউজ পূম্নমক্কী মপূ বৃটিশশিংনা ওইরম্মী।

২) ইন্দষ্ট্রিশিংবু প্রাইভেট ওনরশিংদা পুল্লপ শিন্নথোকখ্রবদি, লৈপাক্কী চাওখৎ থৌরাংদা মীৎয়েং থম্বই মহুত্তা মরন্নাই মরল পৈশিনবা অমদি অহেনবা শেন্দোং তানব’রোমদা হেন্না পূক্নিং চিংশিনখিনি।

পি এস য়ু (পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিং) হায়বগী চপ চাবা ৱাহনদি ইন্দষ্ট্রিঅল য়ুনিট অদুগী সেয়র (পেইদ অপ সেয়র কেপিটেল) অদু চাদা ৫১দগী তাদনা সেন্ত্রেল নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমনা পারগা লেমহৌরিবা শরুক অদুনা প্রাইভেট মেম্বরশিংনা পায়বা ইন্দষ্ট্রি অদুবুনি। চাদা চাম্মা লৈঙাক্লা মপূ ওইবা পি এস য়ু’সু লৈ। বেঙ্কনচিংবা ফাইনান্সল ইন্সটিট্যুসন খরদি প্রাইভেট সেক্তরদা লৈরগা ১৯৬৯ অমদি ১৯৮০দা অয়াম্বনা নেসনেলাইজ সেক্তরদা লৈরিবনি। অদুবু, এল পি জিগী চক অসিদদি গভর্ণমেন্টকী থৌশিল ‘বেঙ্ক প্রাইবেটাইজেসন’ লোমদা নকশিল্লক্লি। লিবরেলাইজেসনগী মিংদা বেঙ্কিং সেক্তর রিগ্যুলেসন অনৌবা কয়া শেম্লক্তুনা পব্লিক সেক্তর অমা ওইবগী শক্তম অদু মাঙহন্নবা হোৎনরক্লি।

হৌজিক, ঙসিগী মীরোলসিগী মাঙদা লৈরিবসি ৱাফম অনীখক্তনি, মতম অমদা নেহরুগী মাঙদা লৈখিবা - পব্লিক সেক্তরনা ফবরা? প্রাইভেট সেক্তরনা ফবরা? পি এস য়ু অমগী কান্নবা অমসুং মাঙজবা, ৱাফম মঙা তরাদং পুথোকচগে নৈনবিয়ু :-

- হৌজিকমক্কী ওইনা বেঙ্কিং, রিফাইনরিজ, কয়লা অমদি পৱারনচিংবা সেক্তরদা সেন্ত্রেল পি এস য়ু ৪০৪ অমদি ষ্টেট পি এস য়ু ১০৬২ লৈ। মীওই ক্রোর অনী হেন্না থবক শূরি, থবক পীবদা অচৌবা মতেং ওইনরি।

- খুন্নাইসিনা থওইবিদ্রবা, হন্থবা থাক্কী তোল্ল-তারবা মীওই কয়াদসু পি এস য়ু’ না থবক পী। চাওখৎপই মঙাল ফংলমদবা মফম কয়াদা অচৌবা ফেক্টরি নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রি অমা লীংবদা মফমদুগী লম্বী থোং ফগৎহল্লি, স্কুল-কোলেজ, অনা-লায়েংশঙ লীংখৎলক্তুনা হিংবই থাক হেনগৎহল্লি।

- পি এস য়ু অমগী থৌমীশিং, মফম অমদগী অমদা হোং হোংদুনা থবক শূবই থৌশিলসিনা, কলচরেল প্লুরেলিজমদা মতেং পাংই।

- লৈপাকসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক (জি দি পি) দা পি এস য়ু’শিংনা অঙকপা ফংনা মতেং পাংই। ফোর্চ্যুন ফাইব হন্দ্রেদকী মরক্তা ইন্দিয়া পি এস য়ু মঙাগী মমিং য়াওই।

- অদুম ওইদুনমকসু, ইমপ্লোয়ীশিংগী প্রদক্টিভিটি হন্থরকপা, শেন্দোং ফংবা ঙমদ্রবা পি এস য়ু মশীংসু মিপাইনীংঙাই ওইবা হেনগৎলক্লি। লৈঙাক্লা হায় - ত্রেদ য়ুনিয়নশিং, পি এস য়ু’না পার্ফোমেন্স হন্থরকপই মরমনি। য়ুনিয়নশিংনা হায় - লৈঙাক্লা মপুক শেংদবা এগজিক্যুটিভ এপোইন্ট তৌবননি।

- পি এস য়ু অমা ওইরুবনা গ্লোবেল কম্পিটিসন য়াওবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

‘পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিংদি মোর্দন ইন্দিয়াগী লাইশঙনি’ হায়বা গান্ধিজীগী ৱাখলদু অচুম্বা ওইহন্নবগী পাম্বৈ অনীখক্তনি, কনানসু থওইবীদবা - কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি মশক খঙহনবা অমদি কোত্তেজ ইন্দষ্ট্রিশিংদা মায় ওনশিনবা।

# ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা - ৪

**ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ**

**ধর্ম্ম** লৈতবা লৈবাক্তুদা ঈং-তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা হৌনদে। ঈং-তপ্পা লৈত্রবা লৈবাক্লা কৈদৌনুংদা চাওখৎলোই। লৈবাক নিংথৌ, ফমথৌ-ফম্নাইবা, অঙম-অথৌশিংনা লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা লৈরবদি নিংথৌ পুন্সি নুংশাংলরোই, লৈঙাক কাং-খোং চাইবা শোয়দ্রবনি। মালেমগী চাওখৎখ্রিবা লৈবাক পূম্বা হায়রিবা লায়ৱাশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা চাওখৎ-থৌরাং পূম্বা পায়খৎনখিবা ঙাক্তনি। লাক্লিবা ৱাফমদি মীনুংশি লৈবা, থবক শূবা-নোম্বা কনবা, অচুম্বা তৌবা, অচান-মীরাই নাইদবা, লমচৎ-শাজৎ ফজবা, লৈবাক মচা তাবা, মরৈবাকপু নুংশিনা, লায়র-ইনাকখুনবা য়েংদনা লাই ৱায়েল তৌবা অদুবুসু ধর্ম্ম লৈবগী কাঙলোন্দা চনগদ্রা? মৈতৈগী মালেম লৈশেমলোন্দা য়াওরিবা নোংখোং কোয়বা অমদি লৈবাক নিংথৌ ফম্বাল শিন্নবগী মতাং, পাখঙবনা মমৈবু ময়ানা চিক্তুনা লৈবগী ফিদুপ উৎলিবা অসিনচিংবা কয়ানা পীরিবা মমল য়াম্লবা লাইনীং লিচৎ অমদি লৈঙাকলোনগী ৱাখল্লোনশিং অসিসু শিংথানীংঙাইনি। পাখঙবনা অয়ূক নুংথিলদা লাই ওই অদুগা নুমিদাংদনা মী অমুক ওই হায়রিবা কাঙলোনসিদা ফুমদুনা য়াওরিবা লৈবাক ৱায়েল থৌদা পাংবগী মওং-মতৌ অসি তশেংনা য়াম্না ৱাংবা থাক্কী ৱাঙুলোননি। ৱায়েল কাতিনা শাথুপখ্রবসু ইমা খাংজেং লাইরেম্বীগী থাজনবীশিং ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। তাইবঙগী ৱায়েলদগী ফনা হৈশিংনা নাথৈদুনা চেনখ্রবসু মপূগী ৱায়েলদগী কৈদৌনুংদা নাম্থোক্তুনা চৎপা খক ঙম্লোই। খরা তপচরবসু মপূগী ৱায়েলদি শুংশোয় শোয়রোই।

**লম্বী ফত্তবা :-** লম্বী থোংগী হায়রুরবদি সনা লৈবাক অসি নোং হেক তাবগা লৈখোম ঙাক্তা, নোং হেক হাংবগা উফুল ঙাক্তা। হায়দনা কান্নদে ঐখোয়গী লম্বীগী ৱাফমসি। কোয়লাস মথক্তা নাপী ফজনা হৌবা লৈবাকনি। ফি-রোল মচু অনানবসু শেৎপা ফংজদ্রে। ঈরম-নালাগী অমোৎ-অকায় কয়াদু জে সী বিনা কোৎখৎলগা লম্বীদা পৈশিনবা, কোয়লাস তৌখাইরগা থোঙ্গাল খুদিংদা মাগী মাগী ঈশিং পাইপ পুশিন্নবা, কোয়লাস হেক থাবা লোইবগা ঈশিং পুনবা পাইপকী অমদি টেলিফোন কেবলগী অমুক হেক্তা তৌখাইবা অমদি ফজনা মেনশিল্লমদবা, লৈবাক হোনবা ত্রক্তগী নাস্থহৌবা অমদি ট্রেক্টর চাকাদগী তাহৌবা লৈপাক্লা লম্বীগী ফজবা ৱাৎহনবা অসিনচিংবা কয়াসিনি ঐখোয়গী লম্বীশিংগী মরাইবক। গাড়ী টয়ারনা তক্লগা কাপথোক্লকপা লম্বী অকায়বগী নূংনা পানফম চাদনা পান্দুনা মী শিবা-নাবা থোক্লবদি মদু আইনগী মীৎয়েংদা কনানা লানবা তাগদৌরিবনো? মরাইবক্কী ওইজগদৌরিব্রা? লম্বী থোং ফত্তবদগী করিগুম্বা এক্সিদেন্ট থোক্লবদি মদুগী থৌদাং অদু থিকাদার নৎত্রগা মরী লৈনবা ওথোরিটি অদুনা পুগদবনি হায়বা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন অমা লৈখিবগুমসু মাল্লি। মমাঙদা থোকখিবা গাড়ীদুগী মম্লবা মৈখু নৎত্রগা ফত্তবা লম্বীগী উফুল/ঈশিংনা মরম ওইদুনা তুংদা/নাকলদা থৌরিবা গাড়ীদু এক্সিদেন্ট থোকপা তারবদি অদুনা অমুক কমদৌবা তাবা?

**মৈ থাবা :-** অতৈ লম্বী ইরৈ লৈতবরা খঙদে, লৌবুক্তা চরু থাদুনা লৈবাক লৈহাও মাঙহল্লিবা, লম্বী চৎলিবশিংনা অমদি য়ূমথংনবনা নুংঙাইরোই হায়বগা অমত্তা খন্থদনা ৱাই পৈরগা মৈ থাবা, ফত্ত-হৌদি, প্লাষ্টিক, রবরনচিংবা মৈ থাবা, কাংমৈ খুবা, য়েরুম হাপ্লকপগী চেগী প্লেট মৈ থাদুনা কাং তানবা, মী অশিববু মফম চাদনা মৈ থাবা, লৈপাক্কী খোঙজং ঈহৌনচিংবদা টয়র মৈ থাবা, খুদোংচাবা লৌরগা য়ূমগী ফত্ত-হৌদি পুথোক্তুনা মৈ থাদোকহৌবা অসিনচিংবা মৈ থাবগী চৎনবী খরা ইরমদম অসিদা উবা ফংই। য়ূ মৈ থাবদি খ্বাইদগী ফত্তে। পুলিসনা, লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব অমদি মৈরা পায়বী নিশাবন্দশিংনা ফারবা য়ুদু মফম চানা হৈদোক্লগা অদুম মাঙহনখ্রবসু য়াবদুদা য়াম্না তৌহৈদবা মওংদা মৈ থাবগী চৎনবী অমসু কন্না তৌনরি। মৈ থাদুনা নুংশিৎ মোৎশিলহনবদি লায়বু লায়রি। লাইগী ওইবা ৱারীশিংদু খঙলক্লবদি য়ুবু মৈ থারিবা মীওইশিংদু মতুংদা অমুক হন্না তৌজররোই হায়না হায়রক্কনি। মীয়ামগী ঈহৌদা গাড়ী মৈ থাবা, মীয়ামগী লন-থুম য়ূমশিং মৈ থাবা অসি শাওদুনবুদি তৌরিনি হায়ববু খজিক্তং খন্থরবদি য়াম্না ফগনি। গঞ্জা, হীদাক মনা, মতম হেল্লবা নৎত্রগা হু চেনবা চিঞ্জাকশিং পৈরগা মিদিয়াগী মমাঙদা মৈ থাবগী চৎনবীশিংগী অফ-ফত্ত কনামত্তা খন্থনবসু উদে। লৌ য়ৈননবা ৱানা পৈজরিবা ফৌবৈ ফাওবা লোন্না মৈ থাবগী চৎনবী অমসু খরা খরা তাবা ফংলক্লি। হায়ৱেদা লোন্না মৈ থাবা, অশাবা মীত্তম মৈ থাবা, ওফিস মৈ থাবা, উমং মৈ থাবা (লম্মৈ থাবা), লাইরিক মৈ থাবা অসিনচিংবা কয়াসিসু মণিপুরদা য়াম্না তোয়না মৈ থাবগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক ঙাক্তনি।

**উপুলাই :-** মাইবী লৈকায় উপু লৈরক হায়বা এদ্রেস ফাওবা লৈরে হায়না ফাগী খরা খরা তৌনরম্মী হান্নদি। অদুবু হৌজিক্তি ইম্ফাল এরিয়াদা উগী উপু-কাংথোল য়োনবা দুকানশিংদা পৈ পৈদুনা য়োল্লিবা লাইগী উপু কয়াদু উরুবদা মীয়ামসি লাই ফজনা লাৎনখৎলক্লব্রা হায়না খল্লি। অমুকসু খল্লি মীশিংসি লাই য়াম্না নীংনদুনা ইং তপ্না অমদি তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল অমদা শোয়দনা লাক্লগনি হায়না। অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক, লৈবাক ঈরাংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগুমসু তৌই। য়ূম খুদিংদা (শুমাংদা, থোঙ্গাল ময়াদা, ইঙ্খোলদা, দলান মথক্তা), ওফিস, ফেক্টরি, মহৈতম্ফম্নচিংবা মফম অয়াম্বদা লাইশঙ মচা-মচাশিং (চেক্লা শাবা, উনা শাবা, মরুওইনা লাই উপু) লৈবা ঐখোয়না থেংনরি। লম্বী মপান্দা, লৌবুক-লম্মাংদা (মরুওইনা লাইফম-তিনফম কনবা) লাই উপুশিং থমদুনা খুভম য়াবগী মওংশিং মফম অয়াম্বদা উবা ফংই।

**ইম্ফাল মচা :-** ইম্ফাল ময়োল নৎত্রগা গ্রেটর ইম্ফাল কৌবা মীয়াম্না শুম খঙনবা লমখৈ খরদি লৈ। ইম্ফাল ভেল্লি কৌবা টর্ম অমসুং জিওগ্রাফি নৈনবশিংনা হেক হেক শীজিন্নবসু থেংনৈ। ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট কৌবা লম অমা হান্না লৈরম্বদগী মদুদগী থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট হায়না মথং-মথং খাইদোকখি। মণিপুরগী কোনুংসি ইম্ফালনি হায়নৈ। লাপ্না লৈবা খুঙ্গংশিংগী মীয়াম্না - ইম্ফালদগী মী লাকএ, মখোয়দি ইম্ফাল মচানি, ইম্ফাল কারুসি হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং হেক হেক শীজিন্নবা থেংনৈ। খুরাই, নোংমৈপুং, ৱাংখৈ, শিংজমৈ, ককৱা, খাগেম্পল্লি, ক্বাকৈথেল, কৈশামথোং, কৈশাম্পাৎ, তেরা, শগোলবন্দ, থাংমৈবন্দ, লম্ফেল, চীংমৈরোংনচিংবদগী লাকপা মীওইশিংবু ইম্ফাল মচা হায়না খঙনরবদি লমশাং, খোঙহাম্পাৎ, তিঙ্গ্রি, লফুপাৎ তেরা, চনম শন্দ্রোক্লচিংবগী মীওইশিংসু ইম্ফাল মচা ওইফম থোক্তব্রা? মখোয়সু ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী লমদা লৈবা ঙাক্তনি।